# নিংথৌকাবা নুমিৎকী পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা লোক পাল বিল পাস তৌরবা য়াই





যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধেনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, লোক পাল বিল চৎলিবা নীংথম মীফম অসিদা শোয়দনা পাস তৌরগনি। বিল অদু ঙসি ফাওবা রাজ্য সভাদা পন্থদুনা লৈরি। মদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা খন্নরি। লোয়ননা শোয়দনমক পাস তৌরগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লোক পাল বিল অদু লোক সভাদা পাস তৌরবা মতুং রাজ্য সভাদা খন্ননবা লৈরি। মদুগী তুংদা সেলেক্ট কমিটিদা থাদগনি। সেলেক্ট কমিটিনা বিল অদু শেমদোক-শেমজিন তৌবা অমদি অয়া-য়াদ য়েৎকন্দবনি।

কন্সর্ন বিল অদু পুখৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। সোসিএল এক্টিভিষ্ট অনা হজারেনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী মপাঙ্গল কনবা লোক পাল বিল পাস তৌহন্নবা তকশিন্দুনা মতম কত্তুনা চরা হেল্লক্লি।

সরকারনা বিল অদু ঙরাং রাজ্য সভাদা খন্ননবা পুথোকখ্রে। অদুবু সমাজৱাদি পার্টিনা বিল অদুগী মায়োক্তা লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টকী প্রোসিদিংদা অয়েৎপা থোক্লি।

সিন্ধেনা দিজাষ্টর রিকোভরি সেন্টরি এন্দ নেশনেল ইন্টলিজেন্স গ্রিটকী সেকেন্দরি ওফিস অমা ফাওন্দেশন ষ্টোন য়ুংবগী ফঙ্কশনদা ৱাফম অদু ফোঙদোক-খিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না হায়খিবদা, ঙসি যাত্রা হুল্লিবা লোয়শঙ অসিনা ইন্টলিজেন্স এজেন্সি অমসুং ইনফোর্মেশন দরকার লৈবা ওর্গনাইজেশনশিংদা ইন্দিয়ানা কাওন্টর টেরর থেংনবগী পায়খৎলিবা থবকশিং খঙহনবা ঙম্লগনি।

পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অদুনা ইন্দিয়ানা পৃথিবীগী লৈবাক অতৈগা খূৎশম্নদুনা ইন্দিয়ানা তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু খঙহল্লগনি হায়খি। প্রোজেক্ট অদুনা ২৬/১১ এটেক অমসুং অদুগুম্বা কয়া থেংননবগী টেক্নোলোজিদা মপাঙ্গল কনখৎহনগনি। লোয়ননা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংদা অদুগুম্বা মঙক কনবশিংনা অদুনা চত্থরক্কদবা এটেকশিং অদু মাঙজৌননা খঙবা লোয়ননা থিংননবা অথুবা থবক পায়খৎপা ঙম্লগনি হায়খি। প্রোজেক্ট অদুগী চঙগদবা শেনফম অদু লুপা ক্রোর লিশিং অমরোম্নি হায়রি।

লোক পাল বিলগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাহুল গান্ধিনা হায়খিবদা লোক পাল বিলনা লৈবাক অসিদা থেংনরিবা সমস্যা খূদীংমক লাকশিনগদবদি নত্তে। অদুমওইনমক, বিল অদু লৈবাক অসিদা অচৌবা খোঙথাং অমদি ওইরগনি হায়রি।

বিল অদুগী মতাংদা পি চিদম্বরম, রাহুল গান্ধি, কাপিল সিবালনা পাউমীশিংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি। পি চিদম্বরমনা হায়, লোক পাল বিলগী মতাংদা সরকার অসিনা সেলেক্ট কমিটিনা থাগৎলকখিবা দ্রাফ্ট অদুদগী পোইন্ট ২/৩ হোংদোক-হোংজিন তৌখি।

লোক পাল বিলনা সরকারগী থবক তৌরিবশিংগী ইন্টরেষ্ট ঙাক্কনি। লোয়ননা প্রোজিক্যুশন অমদি ইনভেষ্টিগেটিভ এজেন্সিশিংদসু কান্নবা পীগনি।

বিল অদু শোয়দনমক পাস তৌগদবনি। বিল অদুনা লোক পালদা হেন্না মথৌ হাপকনি হায়খি। সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সি বি আই)সু লোক পাল বিলগী মখাদা থবক তৌগনি হায়খি।

রাহুল গান্ধিনা বিল অদুগী মতাংদা হায়খিবদা, বিল অদু মীয়াম্না পাম্নবা অমনি। মপাঙ্গল কনবা লো পাল বিল অমনা লৈবাক অসিগী সমস্যা অমা ওইরিবা করপশনবু লাকশিনগনি। বিল অদু পাস তৌহনবনা করপশনগী মায়থোং চপ চানা হোংহনবা ঙমগনি। বিল অদু তৌগনি হায়বগী থাজবা চাদা ৯৯ থাজবা লৈ। বিল অদুবু অতোপ্পা পার্টিশিং অমসুং ওপোজিশন অমদি মাগা চৎমিন্নরিবা কাঙবুশিংনসু শৌগৎলক্কনি থাজে।

পার্টিগী ৱাফম থাদোক্তুনা বিল অদু জাতিগী ওইবা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। মরম অদুনা ঐখোয়না পূন্না থবক তৌমিন্নগদবনি। লোক পাল বিলনা লৈবাক অসিগী করপশনবু মায়োক্নবা ঙমগনি। অদুবু আম অদামি পার্টিনা ৱাফম অসিদদি করিসু তৌবা ঙম্লোই হায়খি।

বিল অদু পুথোকপদা মায়থীবা নৎত্রগা মায় পাকপা অদুনা লৈবাক অসিগী করপশনদা মায়োক্নবগী ফীভম উৎকনি। বিল অসিদা মীয়ামগী অপাম্বা লৈ। অদুম ওইনমক জাতিগী ওইনা য়েংলগদি রাইট টু ইনফোর্মেশনগা মান্নে। পার্লিয়ামেন্টতা লোক পাল বিল পাস তৌহন্নবা কন্না লান্থেংনরি। অদুম ওইনমক, পার্লিয়ামেন্টতা পার্টি কয়ানা অকায়বা থোকহন্দুনা লৈরি হায়খি।


## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মি

*মি হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না হকথেংননা মশক উরবা জীব অমনি। অদুম ওইনমক মি মখল কয়া লৈবগে হায়বদুদি পাক্না খঙনদ্রিবা অমা ওই। মালেমগী ওইনা লৈরিবা মি মখল অসি য়ামদনা পারবদা মখল লিশিং কুন্থ্রানি। মি মখল অয়াম্বদি মীওইবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইদে। অদুবু মি মখল খরদি শাথিরবা লিনগী মহু গুম্না মী হাৎপা ঙম্মী। অসিগুম্বা শাথিরবা মি মখলশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল অমদি সাউথ অমেরিকাদা ফংবা বনানা স্পাইদর হায়বা মি অসি অমুক্তা ভেনোম মিলিগ্রাম ৬ পুথোকপা ঙম্মী। হায়রিবা ভেনোমগী চাং অসি মপুং মরৈ ফারবা মীওই ৬ অমুক্তদা হাৎপা ঙম্মী। খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা অতৈ স্পাইদরশিং অদুদি ওষ্ট্রেলিয়াদা ফংবা ফ্যুন্নেল-ৱেব, সেন্ট্রেল অমদি সাউথ অমেরিকাদা ফংবা ৱোলফ স্পাইদর অদুগা ৱেক ৱিদো হায়বা অমগনি।*

*মি হায়বসি তিল-কাংগী মনুং চন্দে। মখোয়সি অরাকনিদস হায়না খঙনবা গ্রুপকী মনুং চল্লি, গ্রুপসিদা স্কোর্পিওনসু য়াওরি। মিগী মশা অসি য়াম্না পিকপা খ্বাংগী শরুক্না শম্নহল্লগা শরুক অনী থোকই, লোংখৌ পানবা মখোঙ মরি পাল্লি। মশা পানবা মি অমত্তা লৈতে। মি খূদিংমক মিরাং শানবা সিল্ক পুথোকই। অদুবু মি খূদিংমক্তি মিরাং শাবা ঙমদে।*

## লালু প্রসাদ নিংথৌকাবা নুমিত্তা জেলদগী থাদোক্লগনি



রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদব সুপ্রিম কোর্টনা ফোদর স্কামগী মতাংদা বেল পীবা য়াখিবগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা জেলদগী থাদোক্লবা য়াই।

সুপ্রিম কোর্টকী চেরোল অদু ঙরাং ফাওবদা লাৱর কোর্টতা য়ৌরকখি। অদুম ওইনমক, নিংথৌকাবা নুমিত্তা জেলদগী থাদোক্লবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ। পাউ অদু পূং অমা মখায় চুপ্না বেল বোনগী ৱারোল অদু কোর্টতা নৈনরবা মতুং হায়রকখিবনি হায়না লালু প্রসাদকী এদভোকেট প্রভাট কুমারনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ফোরদ স্কামগা মরী লৈনবা কেস মরিদা মমাঙদা লালু প্রসাদপু বেল পীখ্রবনি।

## সরপঞ্চ য়াওনা মীওই অনী মাওইষ্টনা হাৎখ্রে

ওদিসাগী মালকাংগিরি দিষ্ট্রিক্টতা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা ফাদুনা পুখিবা খুঙ্গংগী সরপঞ্চ য়াওনা মীওই অনী মাওইষ্টনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

নোংমৈনা পানবগী দাগফম লৈবা চিন্তানগুদাগী ৱার্দ মেম্বর তুলাসি বেহরা অমসুং রাজা গুন্দাদগী জগা মদকামিগী হকচাং অদু ঙসি অয়ূক বৈজাং ৱাদা লমদমদা ফংখিবনি হায়না মলকানগিরিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অখিলেসশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং পুলিস পর্সনেলশিংনা জঙ্গল অদুগী মনাক নকপা তেকগুন্দা জঙ্গলশিংদা চঙশিন্দুনা মরাল লৈবশিং অদু ফাননবা থি-হুম্বগী থবক চত্থখ্রে।

মাওইষ্টশিং অদুনা চৎলিবা থা অসিগী ১২দা ফাখিবা মপূং ওইনা ত্রাইবেলশিংগী মীওই ৭কী মনুংদা হায়রিবা মীওই অনী অদু হাত্তুনা থল্লমখিবনি।

অদুগা ফাখিবশিং অদুগী মরক্তগী মীওই অহুমদি ঙরাং ইরাই নুমিত্তা থাদোক্লমখি। অদুগা মীওই অনীদি হৌজিক ফাওবা ফাজিন্দুনা থল্লি হায়রি।

ফাজিনখিবগী মরক্তা মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা অদুনা মরাল লৈবশিং অদু ফাননবগী লংলা লংজি অদু ফংবা ঙম্লগনি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, খূৎলায় পায়বা মীওই ৪০রোম্না প্রভাকর মদকামিগী য়ূমদা থোমজিল্লকখি। অদুগা পঞ্চায়ত মনয়াম কোন্দাগী মপাবু ফাদুনা পুখ্রবা মতুং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা মাওইষ্টশিং অদুনা বেজাংৱাংদগী মনাক নক্না লৈবা বেহরগুন্দাদা প্রাইভেট বস অমা নুমিৎ অদুমক্তদা মৈ থাদোক্লমখি হায়রি।

বস মৈ থাদোক্লম্বগী থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা শোকখিবগী পাউদি লৈতে। থৌদোক অদু দিষ্ট্রিক্ট অদুমক্তদা নুমিৎ হুম্নিগী মতুংদা থোকপা অনীশুবা থেদোক্লি হায়রি।

চৎলিবা থা অসিগী ৪দা গম্ফা-কুন্দা সপরপঞ্চগী মচানুপা য়াওনা মীওই অহুম মাওইষ্টশিংনা ফাদুনা পুখি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

ফাখিবশিং অদুগী মনুংদা মীওই অমদি মথংগী নুমিত্তা নাম্থোক্তুনা চেল্লকখি। অদুগা মীওই অনীনা চৎলিবা থা অসিগী ৭ তা থাদোরকখি হায়রি।

## হোমো সেক্স্যুএল অননেচরেল ওইবা এক্টনি ঃ বি জে পি

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না মখোয়না ওইবা অচেৎপা ফিরেপ ফোঙদোক্ল-দুনা হোমো সেক্স্যুএল অসি মহৌশাগী ওইবা লীচৎ নত্তে, য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী সেক্সন ৩৭৭পু অকনবা মওংদা শৌগৎলদুনা ৱাফম অদু বি জে পিগী লুচিংবা রাজনাঠনা পাউমীশিংদা ফোঙদোক-খিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী ৩৭৭তা থাজবা থল্লি। লোয়ননা সেক্সন অদুবু পার্টি অদুনা শৌগৎলি। হোমো সেক্স্যুএল অসি মহৌশাগী ওইবা লীচৎ নত্তে। মরম অদুনা শৌগৎপা ঙম্লোই হায়খি।

মমাঙদা বি জে পিগী লুচিংবা গোরাকপুরগী এম পি য়োগি অদিত্যানাঠনা হায়খিবদা, নিয়ম অদুবু হোংদোক্লবা শীংনরকপা খূদীংমক মায়োক্লগনি।

সুপ্রিম কোর্টনা হোমো সেক্স্যুএলগী মতাংদা পীখিবা রাই অদু তরাম্না ওকই। বিল অদু পালিয়া-মেন্টতা পুখৎলক্লবসু মদুগী মায়োক্তা লৈগনি। রাম দেবনা পীখিবা ৱাফমশিং অদু মহাক্না য়ানীংদে হায়খি।

অদুমওইনমক ইং ২০১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা মখোয়গী ইজ্জৎ ঙাক্লনবা রাজনিতি শান্নরি। কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি, পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা এস সিগী ওর্দর অদু পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎতুনা খন্নগনি অমদি লাইবক তীবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## হমিদ করজাইনা মনমোহন সিংহ উন্নদুনা দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিটিগী মতাংদা খন্নখ্রে

অফানগী প্রসিদেন্ট হমিদ করজাইনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগা উনদুনা লৈবাক অনীগী ওইবা সেক্যুরিটি অমসুং দিফেন্সকী মতাংদা মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা খন্নখ্রে।

অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্টনা ঙসি ইন্দিয়াদা থুংলখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী ওইবা সেক্যুরিটি অমসুং দিফেন্সকী বাইলেটরেল ওইনা মতেং পীননবা ৱাফম অদু ফোঙদোকখি। হমিদ করজাইনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অনীনা অমত্তা ওইনা হায়রিবা ইস্যুশিং অদুদা মতেং পীননবগী ৱাফমদা ৱারী শানখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পোজিটিভ ওইবা ৱাখল্লোন ফোঙদোরক্লি হায়রি।

অফগানিষ্টাননা আর্টিলরি, লেন্দ বেজ ফয়র পাৱর অমসুং এয়র সপোর্ট লোয়ননা হেলিকোপ্টরনা অনা লায়েংবগী লম্দা মতেং পাংহনবা পাল্লি।

অফগানিষ্টানগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা লমদম অদুদা খ্বাইদগী হেন্না মী শিহল্লিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং থিংননবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মতেং লৌবা পাল্লি। মমাঙদা এক্সটর্নেল এফেয়ার্স মিনিষ্টর খুরসিদকা উনদুনা হীরম অদুগী মতাংদা ৱারী শানখিবা লৈখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা মতেং ওইনা অমদি অফগানিষ্টানগী লান্মীশিংবু ট্রেনিং পীননবগীদমক য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২ মতেং পাংলকখ্রে।

## আম আদমি পার্টিনা মায়পাকপদু শীজিন্নবা ঙমদ্রেঃ বলবির পুঞ্চ



আম অদামি পার্টি (এ এ পি)না মখোয় পাকপা অদু নীংথিনা মায়ওন চুম্না শীজিন্নবা ঙমদ্রে হায়না বি জে পিগী লুচিংবা বলবির পুঞ্চনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লোয়ননা লৈবাক অসিদা জ্ঞান তাদবা ফীভম অমদা লৈহল্লে। উপাই অমা শীজিন্নদুনা পার্টি অদুনা দিল্লিদা সীট ২৮ ফংবা ঙমখি। অদুগা মখোয়না লৈবাক অসিগী অপূনবা ৱাফমদা খূৎ থিংজিনবা পাল্লি। থৌওং অদুনা লৈবাক অসিদা মেন তাদবা ফীভম অমদা থোকহল্লে।

মখোয়গী মায় পাকপা অদুনা মখোয় মশামক্তা অঙকপা অমা পোক্লমগনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, আম অদামি পার্টিনা অতোপ্পা পার্টিশিংনা লৈবাক অসিগীদমক তৌনিংলিবা থবকশিং অদু খঙলম্লগনি।

কেজ্রিৱালনা মহাক্না ওইরক্লিবা ফীভম অদু করিনো হায়বা খঙলমখিরোই। মহাক্না কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা তৌরিবশিং অদু করিনো হায়বা খঙনিংলি।

আম অদামি পার্টিনা মখোয়গী পোলিটিকেল মেনিফেষ্টোদা ফোঙ-দোকখিবা ৱাফম অদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা উৎফম থোক্লি। মখোয়না দিল্লিদা সরকার শেম্বদা কনা অমত্তনা অথিংবা লৈতে। অদুবু থবক অদু মখোয়না পাঙথোকপা ঙমদবগী ৱাফমখক্তা ঙাইরে, দিল্লিদা দ্রামাগুম্না শান্নরি। মদু য়েংখিবা তারি।

মখোয়না মীয়ামদা ৱাশকখিবা ৱাফমশিং অদুদা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌবা চুমগনি। সীট ৭০ লৈবা হাউস অদুদা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি অমা ওইখি অদুবু সরকার শেম্নবা ৱাফমদা পার্টি অদুনা য়াখিদবনি। কোংগ্রেসনদি মখোয়গী সেনিয়র লুচিংবশিংগা লোয়ননা কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা আম অদামিনা দিল্লিদা সরকার শেম্বদা কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎকনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

আম অদামি পার্টিগী কনভেনর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা মমাঙদা বি জে পি নৎত্রগা কোংগ্রেস পার্টিদগী সরকার শেম্নবগীদমক মতেং লৌরোই হায়না ফোঙদোকখি।

লোয়ননা দিল্লিদা নৌনা মীখল পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শারে হায়না ফোঙদোকখিবনি। মদুগী মতাংদা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা হর্ষবধননা মহাক্কী পার্টি ওইরিবা দিল্লিদা সরকার শেম্বগী য়াবা মেম্বর মশীং চপ চানা ফংদবনা সরকার শেম্বগী ৱাফমদা পূক্লিং চঙদে। লোয়ননা অনৌবা মীখল পাঙথো-ক্লবগীদমক শাদুনা লৈরে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

## মুম্বাইগী মথোল ২৬ লোংবা বিল্ডিং মৈ চাকপদা মীওই তরুক শিরে, তরুক শোক্লে



লৈবাক অসিদা থোকপা খ্বাইদগী চাউবা মৈহৌ লাংপোক্কী খুদোংথীবা অমা ওইনা মুম্বাইগী মথোল ২৬ লোংবা বিল্ডিং অমদা হৌরকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা মীওই ৬ শিরে লোয়ননা মৈ কন্নবা হোৎনবা মীওই ৬ শোকখ্রে।

ফায়র ওফিসিয়েলগী মকোক প্রভাদ রহদানিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, মৈ চাকপগী থৌদোক অদু বিল্ডিং অদুগী ১২শুবা মথোলদা গ্যাস সিলিন্দর পোকখায়বদগী হৌরকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই তরেৎকী মনুংদা তরুক শিরে হায়বা কনফর্ম তৌরে। হৌজিক হৌজিক মৈ মরক্তা মীওই অহুম থোকপা য়াদনা লৈরি হায়রি।

মফম অদুদা অকিবা ফংনা মৈ চাকখি। ১২শুবা মথোল অদুদা হৌরকখিবা মৈ অদুনা লিফটতা লাকখিবা মীওই অনীদু শিহনখি। অতোপ্পা অমনা ১৬শুবা মথোলগী সিড়ি কাফমদা শিদুনা লৈরমখি। অদুগা মীওই অমনা ২৬শুবা মথোলদা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি। হৌজিক বিল্ডিং অদুদা মৈখু কা-হেন্না কাখৎলকপনা করি ওইরক্কদগে হায়বা ঙমদ্রি।

মুম্বাইগী মথোল ২৬ ৱাংবা বিল্ডিং অদু মৈনা য়োমশিন্দুনা চাক্লি। মৈ অদুদগী হৌরকপা মৈঙালশিংনা অকোয়বদা লৈবা মীয়ামদা মীপাইহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী মীয়ামশিং মফম অদু থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে।

ফায়র ফায়টরশিংনা খূদক্তা মৈ চাক্লিবা বিল্ডিং অদুদা হোৎচিন্দুনা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনরি। বিল্ডিং অদুগী ১২শুবা মথোলদা মৈনা কোয়শিন্দুনা লৈখ্রবা মীয়ামশিং ফায়র ফায়টরশিংনা বিল্ডিং অদুগী মথক থংবা ফ্লোরশিংদা থংদোক্তুনা কন্ননবা হোৎনরি।

মুম্বাইদা ফায়র সেফট রিগুলেশনশিং চপ চানা ঙাক্না চত্তবদগী খুদোংথীবা কয়া নংলি। ইন্দষ্ট্রি অমসুং নৈনবা য়ূম কয়াদা ফায়র সেফটি রেগুলেশনশিং চৎনদবগী মমি তারি। মদুনা মরম ওইরগা অচৌবা মৈহৌ লাংপোক্কী খুদোংথীবা থোক্লকপদা মীওই কয়াগী পুন্সি অমসুং লন-থুন কয়া মাঙ তাক্লি।

## লোক সভা মীখলগীদমক বি জে পিনা সৌরব গাঙ্গুলিদা টিকেট ওফ তৌখ্রে



হান্নগী ইন্দিয়ন ক্রিকেট কেপ্টেন সৌরব গাঙ্গুলিদা ভারত্তিয়া জনতা পার্টিনা লাক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল-গীদমক টিকেট পীরগে হায়না ওফর পীখ্রে। তৈইগুম্বসুং, ৱাফম অদু গাঙ্গুলিনা য়াগদ্রা হায়বদুমদি হায়বা ঙমদ্রি।

বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা টিকেট পীবগী ৱাফম অদু খঙলে। মহাক্না বেঙ্গোলগী স্পোর্টসতা মশক নাইরবা মীওই অদুবু কেবিনেটকী থাক্তা চিংখত্তুনা শক্তি পায়হনগনি হায়বগী ৱাশক লৈখি। করি ওইরক্কদে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি। মহাক হৌজিক অচিনবা খরা লৈ। মদু খঙমিন্নসি হায়না বাংগালিগী নিতিগী ফোঙবা পাউচে অমদা গাঙ্গুলিনা ফোঙদোরক্লি। গাঙ্গুলিদা পীরিবা ওফর অদু পার্টি অদুগী লুচিংবা অমা ওইরিবা বারুন গান্ধিগা মরুপ-মপাং ওইনা লৈবাক অসিগী কোনুংদা উনরবা মতুং হায়বা ঙমগনি। বি জে পিগী নেশনেল জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা বারুন গান্ধিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইরক্লিবা রাজনিতিগী ফীভম অদু য়েংশিন্দুনা লৈরি।

বেঙ্গলগী সীট ৪২দা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা পায়রি। অদুগা বি জে পিনা মদুগী ইকায়খুন্নবা উৎপা ওইনা দার্জিলিংদা সাশন তৌরি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না গাঙ্গুলিনা কদায় ফাওবা অয়াবা পীরক্কদগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

## জে এন্দ কেদা ইনর্জি কঞ্জর্ভেশনগী এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হায়র এদ্যুকেশন মিনিষ্টর মোহম্মদ অকবরনা ঙসি ইনর্জি কঞ্জর্ভেশন এৱ্যেরনেসকা মরী লৈননা ছাত্রশিংনা লৌগদবা থৌদাংগী মতংদা হায়খিবদা ছাত্রশিংনা ইনর্জি কঞ্জর্ভ তৌননবগীদমক্ত লৌবা য়াবা থৌদাংগী মনুংদা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা খঙহনবা তঙায়ফদে। মদুনা ইনর্জিবু কায়হন্দনা থম্না ঙমগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি-বদা, ঈশিং লৈবা মফমশিংবু ঙাক-শেন্দুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী অহানবা থৌদাংনি। ফোরেষ্ট অমসুং অতোপ্পা ইনর্জি পুথোকপা ঙম্বা মচাকশিংসু ঙাক-শেন্দুনা থমগদবনি। ঈশিং লৈবা মফমশিং মতম অমগী মতুং ইন্না মাঙশিল্লক্লি। ইনর্জি কন্দুনা থম্ননবগীদমক ঈশিং লৈবা মফমশিং ঙাক-শেন্দুনা থম্বা হায়বসি তঙায়ফদবা থবক অমনি হায়খি।

## মিজোরাম প্রদেশ কোংগ্রেসকী লুচিংবা লাল থানহাওলাবু মঙারক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



চহী ৭১ শুরবা মিজোরাম প্রদেশ কোংগ্রেসকী লুচিংবা লাল থানহাওলাবু ঙসি ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা কোংগ্রেসকী শক্তি লৈহনবগী শরুক অমা ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা মহাক্না মীরেপ ওইখিবা সরচহিপ অমসুং রাংতুরজো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্তা কারকখি। ষ্টেট অদুগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তগী ইং ১৯৪৪ গী অহানবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবা মীওইনি।

সরকারগী অনেম্বা ওফিসিয়েল ওইনা থবক তৌরম্বদগী কোংগ্রেসগী মশক নাইবা লুচিংবা অমা ওইরকখি। অথুবা মতমদা অৱাংবা থবক তৌরকখিবা মীওইনি। মহাক কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা ফিন্দম্নিংঙাই ওইরবা মীশক অমসু ওইরি।

চীংগী লমদম অদুদা মহাক মশানা হোৎনজমনগী মহৈনা ইলেক্টোরেল এসেমব্লিদা মশক নাইবা মীশক অমা ইং ১৯৮৭তা ষ্টেটহূদ ফংবদগী ওইরকখিবা মীশক্লি। লাল থানহাওলা ষ্টেট অদুগী জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরম্বা অমদি মিজোরাম জর্নেলিষ্ট এসোসিএশনগী ফাওন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মরু ওইবা মীশক্লি।

মিজো দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলগী স্কুল ইনসপেক্টর অমা ওইনা মহাক্কী কেরিয়র শেমগৎলকখি। অদুগা অসাম কোওপরেটিভ এপেক্স বেঙ্ককী দিল্লিং এসিষ্টেন্ট অমা ওইনা ইং ১৯৬৩দগী ৬৪ ফাওবা থবক তৌরম্মী।

মহাক্না মতম অদুদা আইজোল কোলেজদা গ্রেজুএট পাস তৌখি। মিজোরাম মতম অমদা অসামগী দিষ্ট্রিকট কাওন্সিল অমা ওইনা লৈরম্বদগী লানদেঙানা লুচিংবা মিজো নেশনেল ফ্রন্টনা অকনবা ঈহৌ চঙশিন্দুনা মপূং ফানা ষ্টেট অমা ওইরকখি। মিজো নেশনেল ফ্রন্টকী মরু ওইবা মীৎয়েংদি নহারোলশিংদা মপূং ফানা এদ্যুকেশন পীবা হায়বা ৱাফম অসিনি। মদুদা লাল থানহাওলাসু য়াওশিন্দুনা শরুক য়াখি। খোঙজং অদু মপূং ফাহন্দুনা খোঙজং অদুদা মিজো নেশনেল ফ্রন্টপু মপূং ফাহনখি। লোয়ননা ফ্রন্ট অদুগী ফোরেন সেক্রেটরি ওইনসু থবক তৌরমখি।

ইং ১৯৬৭তা মহাকপু ফাদুনা অসামগী নগাওন জেলদা থমখি। জেল অদুদা মহাক ইং ১৯৬৯ ফাওবা লৈখি।লাল থানহাওলা ইং ১৯৪২গী মে ১৯দা আইজোলগী দর্টলাংদা প্রেসবেটেরিয়ন সিনোট হোস্পিটালদা পোকখি। অদুগা ইং ১৯৭৩দগী ঙসি ফাওবা মিজোরাম প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরক্লি। মহাকপু অহানবা ওইনা মিজেরাম ষ্টেট এসেমব্লিদা ইং ১৯৭৯দা মেম্বর ওইনা মিজোরাম-ম্যান্মার বোর্দরগা তায়নবা চম্ফায় কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারকখি।